# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 11-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) নাগা মীচম ওইরগনি হায়না চিংনবা পুমথরবা হকচাং ৬ ইম্ফাল য়ৌরকখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনা মীহাৎ অসিবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ১৪০ গী অনিংবা অপান্বা থুংহন্নবা মহাক্কী সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

অমসুং

৩) ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০২৬, ঙসি অহিং নোংয়াই মতুংদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, মেক্সিকো অমসুং কনাডাদা হৌরগনি।

------

দেদ বোদি (এল)ঃ মমাং থাগী ১৩ দা কাংপোকপী জিলাগী লৈলোন ৱাইফৈদগী নমদুনা ফাখিবা মীওই ৬ অদগী ওইরমগনি হায়না চিংনবা পুমথরবা অশিবা হকচাং ৬ হৌখিবা অহিং নোংয়াই মতুং পুং ১ মিনিত ৪০ রোম তারকপা অদুৱাইদা জেনিমসকী মোর্গতা পুরকখ্রে। হকচাংশিং অদু এম্বুলেন্স অনিদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পুরকখি। হকচাংশিং অদু জেনিমসকী মোর্গতা য়ৌরকপা মতমদা নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ)গী কাংবুসু লৈখি। মদুগী মমাংদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরমদগী হৌনা হকচাংশিং অদু ইম্ফাল্লোমদা পুরকখ্রে হায়বগী পাউ ফংবদগী জেনিমসকী কমপ্লেক্সতা মশিং য়াম্লবা মীয়ামা ঙাইদুনা লৈনখি। নুমিদাং পুং ১০ মখায় রোম তারকপা অদুৱাইদা সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি ফোর্সশিং জেনিমসকী কমপ্লেক্সতা য়ৌশিল্লকপা মতমদা মফম অদুদা হান্না লৈরম্বা খোইশাওনরবা মীয়ামা ইরাং

হৌরকখি। মদুদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা টিয়ার গ্যাস কাপ্তুনা মীয়াম অদু তানখায়খি। তুংদা মীয়ামগী ইরাং অদু লাকশিনখি।

অমরোমদা, খোইশাওনরবা মীয়ামা ইরাং হৌরকপদগী সেনাপতি জিলাগী কাথিখোং কারোংদা ইম্ফাল্লোমদগী লাকপা অহাংবা ত্রক অনি মৈ থাখে। ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমী এ. হেখিনিনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-থৌদোক অদু ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ মখায়রোম তারকপদা থোকখিবনি। মৈ চাকখ্রবা গাড়ি অনি অদুগী দ্রাইভর অমসুং হেন্দিমেন থিবা খঙদ্রি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মণিপুর পুলিস, সি.আর.পি.এফ, অসাম রাইফলস, স্নিফর দোগ অমসুং ফোরেন্সিক এক্সপার্টশিং য়াওবা পুন্না মীওই ৪৫০ রোমা শাবা কাংবু অমনা পুং ২৪ রোম চুপা পাক শন্না থিবা হুন্বগী থবক চথবদা অশিবা হকচাং ৬ অদু ফংবা ঙমখিবনি। হকচাংশিং অদুগী মতাংদা পুলিসনা আইনগী ওইবা থবকশিং লৌখৎলি অমসুং মখা তানা থিজিনবগী থবক চথুরি।

সিএম (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী লৈলোন ৱাইফৈ ভিলেজদগী নমদুনা ফাখিবা মীচম ৬ অদুগা ওইগনি চিংনবা হকচাং ফংখিবা থৌদোক, মুখ্য মন্ত্রি য়ুম াম খেমচান্দনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেতরিয়েটকী চেরোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি। সরকার অসিনা অসিগুম্বা তমথিরবা হিংশাগী থৌওংশিং চথরিবা অসি তুমিন্না লৈথোক্লোই। থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং ফাদুনা আইনগী মতুংইন্না দন্দি পীগনি হায়রদুনা থোকখ্রিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিন্নবগীদমক রাজ্য সরকারনা এন.আই.এদা শিন্নখ্রে।

অমরোমদা, তমেংলোং জিলাগী তামৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা লনসান কুকি ভিলেজদা লৌমী অমা হাৎখিবগী থৌদোক অদুবুসু মুখ্য মন্ত্রি অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি অমদি লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর)গা মরী লৈননা বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুংদা লৈবা শকখঙলবা নেসনেল অমসুং ষ্টেট পোলিতিকেল পার্তিশিংগী ওইবা মীফম অমা থা অসিগী ১৫ দা জিলা অসিগী দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্লগনি। দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার বিষ্ণুপুরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মীফম অসিদা ইং ২০২৬ কী ওইনা জিলা অসিগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী দ্রাফট লিষ্টকী মতাংদা খন্নগনি। মীফম অসিদা মশক খঙলবা নেসনেল অমসুং ষ্টেট পোলিতিকেল পার্তিশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াননবা খঙহল্লি।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার বিষ্ণুপুরনা থোকপা অতোপ্পা চেরোল অমনা হায়- জিলা অসিগী ওইনা বিধান সভা কেন্দ্র ৬ কী পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী দ্রাফট লিষ্ট ফোংলে। রাজনীতি দলশিং অমসুং মরী লৈনবশিংনা লিষ্ট অসি দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার বিষ্ণুপুর অমসুং চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার মণিপুরগী ৱেব সাইটতগী য়েংবা য়াগনি। লিষ্ট অসিদা অশোই অঙাম য়াওবশিং শেমদোকিংশিংনা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা মরী লৈনবা ইলেক্তোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসারদা ওফিস অৱারদা ৱাকৎলকবা হায়রি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱারী লীবা এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা নুমিৎ মঙানি চুপা চথুগদবা ৱারী লীবগী ৱার্কসোপ থৌবাল জিলাগী খাঙবোক খুল্লাকপম লৈকাইদা লৈবা লিলা মান্দপতা হৌখে। ৱার্কসোপ অসিদা পুন্না ৱারী লীবা আর্টিষ্ট ১৫ রোম শরুক য়ারি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী মীওহ কোতি ১৪০ গী অনিংবা অপাম্বা থুংহন্নবা মহাক্কী সরকারনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি অমসুং নেসনেল দেমোক্রেতিক এল্লায়েন্স (এন.দি.এ)দা মীয়ামা থল্লিবা থাজবা ঙাক্তুনা থল্লি।

নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপমদা ঙরাং পাঙথোকপা এন.দি.এগী কনক্লেভদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- অহানবা ওইনা লৈবাক অসিগী মীয়ামা সরকারনা অচেৎপা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা থবক পায়খৎলবদি লৈবাক অসি খুমাং য়াংনা

চাওখৎপা ঙস্মী হায়বদু ময়েক শেংনা উবা ফংলে। শ্রী মোদিনা হায়- এন.দি.এনা সাসন পায়রকপা চহি ১২ অসিগী মনুংদা লৈবাক অসিগী লাইরবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীওই কোতি ২৫ রোমগী পুন্সি মহিং ফগৎহনবা ঙমলে।

মোদিঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী ফ্রান্স অমসুং স্লোভাকিয়াগী নুমিৎ তরুকনিগী খোঙচৎ থাংজ নুমিৎতগী হৌরগনি। খোঙচৎ অসিদা শ্রী মোদিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফ্রান্সকী রাস্ত্রপতি-ইমানুয়েল মেক্রোনগা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নগনি। লুচিংবা অনিনা ভারত ইনোভেটসু হৌদোক্কনি।

প্রধান মন্ত্রিগী অনিশুবা খোঙচৎতা থা অসিগী ১৪ অমসুং ১৬ তা স্লোভা রিপাব্লিক্তা চৎকনি। ভারতনা নীংখা তম্লবা মতুংদা কুমজা ১৯৯৩ গী মতুংদা ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা স্লোভাকিয়াদা চৎপা অসি শ্রী মোদিনা অহানবনি। মমাং চহিগী এপ্রিল থাদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু স্লোভাকিয়াদা চৎখি। শ্রী মোদিনা স্লোভাকিয়াগী প্রধান মন্ত্রি-রোবার্ট ফিকোগা অনৌবা লমশিংদা তেংবাং পীননবা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

নিতি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা নিতি আয়োগকী ১১ শুবা গভর্নিং কাউন্সিলগী মীফম ঙসি নিউ দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবন কলচরেল সেন্তরদা পাঙথোক্লগনি। মীফম অদুদা কুমজা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ভারতপু চাওখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা মখা তানা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং খন্নগনি। ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ, থবক পীবগী চাং হেনগৎহনবা, হকশেল, মচি ওইবা চীঞ্জাক চাবা অমসুং হকচাং ফনা হিংবা অমদি ইজ্জৎ লৈনা হিংনবনচিংবগী মতাংদসু মীফম অদুদা খন্নগনি।

ফিফাঃ ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০২৬, ঙসি অহিং নোংয়াই মতুংদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, মেক্সিকো অমসুং কনাডাদা হৌরগনি। টুর্নামেন্ট অসি লৈবাক অহুম অসিগী তোঙান তোঙানবা সহর ১৬ তা পাঙথোক্কনি। অহানবা মেটচ ইরাই নুমিৎতা গ্রুপ (এ) গী মেটচ অমদা মেক্সিকোগী সিটি ষ্টেদিয়মদা মেক্সিকোগা সাউথ আফ্রিকাগা শান্নগনি। অনিশুবা মেটচ নুমিৎ অসিমক্তদা মেক্সিকোগী

সহর-জপোপানদা সাউথ কোরিয়াগা চেককিয়াগা শান্নগনি।

মথং থাগী ১৯ ফাওবা চথেগদবা টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা টিম ৪৮ না শরুক য়ারি। মসি হান্নদি টিম ৩২ না শরুক য়ারম্বনি।

থৌবাল ঃ ৬৫ শুবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লেবেল হন্তর স্কুল সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৬ ৱাংজিংদা লৈবা কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ঙরাংদগী হৌখ্রে। তুরনামেন্ট অসিদা চহি ১৭ মখাগী নুপামচাগী টিম ৫ অমসুং চহি ১৫ মখাগী নুপামচাগী টিম ৪ না শরুক য়ারি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মফম খণ্ডনা লৈরকখিবা নাগা মীচম ওইগনি চিংনবা হকচাং ৬ ফংখিবগী পাউ, খোইশাওনরবা মীয়ামা ইরাং হৌখিবা অমদি এলিভেতেদ হাইৱেগী শেল থাদোকপীনবা চীফ মিনিষ্টরনা যুনিয়ন ট্রান্সপোর্ট এন্দ হাইৱেগী মিনিষ্টর নিতিন গদকারি হায়জখ্রে হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, সনালৈবাক, হুহয়েন লানপাউ, মণিপুর মেল, গানফিউ মেল, তমেংলোং টাইমস অমসুং হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস পাউচেশিংদা অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

নাগা মীচম ৬ কী অশিবা হকচাং ফংখিবা থৌদোক চীফ মিনিষ্টরনা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি ১৪ হিংনা থাদোকখিবগা এস.এফ ৪৫০ রোমা পুং ২৪ চুপনা থিবদা নাগা ৬ শিন ফংলে হায়বসিনা সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লমায়দা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

এলিভেতেদ হাইৱেগী শেল থাদোকপীনবা হায়জখ্রে, জে.জে. মিসন টু পোইন্ট জিরোগী থবক থৌরমশিং লৈঙাকা শৌগৎকনি হায়বসিনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসনগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

নাগা তাবা মফমশিংদা য়ু.এন.সিনা পুং ২৪ গী সটদাউন লাউথোকখ্রে হায়বসিনা পোকফম পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি গানফিউ মেল, তমেংলোং টাইমস অমসুং হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

অরান্বম সোমোরেন্দ্র লৈখিদবগী ২৬ শুবা নীংশিং কুমওন পাঙথোকখিবগী পাড সনালৈবাক, পিপলস ক্রোনিকল য়াওনা পাউচে অয়ান্বগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সি.আর.পি.এফকী দি.জিগী ৱাফম- মীওইবগী ৱাখল চেনদবা ৱাঙাংনি হায়বা পাউ পাউচে অয়ান্বগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------